তূমদুনা লৈরিবা ঐখোয় মীকপ থোক্লকসি

- জয়েন্ত সরাংথেম -

“হো কবুই কৈওইবা ননিং নমাং হোদ্রোং হো নতু লৈমা কাংকোক নয়ূম য়ূমজাও মৈনা গ্রুং” ঙসিদি ৱাহৈশিং অসি হেন্না ময়েক শেংলকপগুল্লে। মরু চংবা খুন্নাই অমা হায়বসি লাইরিক লাইশুগী মঙাল লৈবা, হৌনা লোনচৎ লৈবা, মশাগী চৎনবীবু য়োক্তুনা থম্বা হায়বশিগী মথক্তা মীগী অফবতবু লৌশিনবা ফত্তবা শাফুবু থৈদোল্লক্লবা চংই। অদুবু ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদি মীগী চৎনবীদি লৌশিনবা য়াম্না থুখ্রে। ঐখোয়গী চৎনবীদি মশানা মাঙহঞ্জরি। ঙাঙনরিবা ঐখোয়গী লোলদবু ওইরসু, কুস্মে হরাওবদবু ওইরসু, দেব-কর্ম্মদবু ওইরসু ঐখোয়সিদা তৌনরিবশিংসিদি শিংজু ময়ালগুল্লে। অদুবু মালেমগী সুপর পৱার পায়বা য়াই হায়না থাজনরিবা চাইনাদি মশাগী চৎনবী, লোল, হৌন-লোনচৎ, চাকচা-য়ুথক ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনবতা নত্তনা মপানগী শাফুদি চঙলক্তনবা হোৎনরিবসিনি। অমুক য়েংসি ঙসি ঐখোয়গী ধর্ম্মগী চৎনবীনি হায়দুনা লাইনীং লাইশোন্দা, কুস্মে হরাওদা তৌরিবশিং অসি খঙমিন্নসি। লৈতা লায়রবশিংদদি লুকোকপদা লেন তাবগুম থোক্তবা নত্তে। ইমুংগী মী শিবগী অৱাবগী মথক্তা চৎনবী অসিনা পোৎলুম অমমুক থোংগৎপিরে। পোৎলোইবা লোইবগা অহল লমনগী ঈশৈ তানবা, মান্দব খন্দুনা অষ্টি তৌবা, লোইবগা শোরাৎকী চান-থক্লবা শিনবা অদুসু চাক এঞ্জাংদি লেন্বা শাদুনা অমুক্তোইবা লেমহল্লিবা, মথংদা ঙাতংবা অমুক, অদুদগী থাগী দিনবু হায়বনে কুমওনবু হায়বনে করি করিনো য়ামখ্রে। অদুনা ইমুং অমগী মী শিবদা পাঙথোক্লিবা থৌরমশিং অসি চৎনবীনি হায়দুনসু খরদি হেনমনখ্রে। হায়রিবা অৱাবা পোৎলুমশিং অসিগী মথক্তা ইমুংদুগী শেল তানবীনবা মী ৱাৎলকপদগী হেন্নদুম লায়রবগী খুন্নাইদা চংশিল্লক্তবসু নত্তে। থৌওংশিং অসিগী মরমদা খন্ন-নৈনবা তাই। মীনা শেন্বা চৎনবীনি শোয়বু শোয়রবদি মী ঐখোয়না শেমদোকপদা কয়াম কাইবগে। লাইনীং লাইশোনদসু অদু মঙাই। অমাংবগা চাক্কা তিন্নবদু হায়দুনি। ইশাগী লাইনীং, মীগী লাইনীং পূন্নমক য়ানশিন্নরিবা অসিনি। তোঙান তাবা লাইনীং লাইশোন, চৎনবী কয়া থোরকপসিনা খুন্নাই অসিবু মচোই মচোই তাহনবতা নত্তনা অমগা অমগা খৎনহল্লিবসিনি। মসিনসু অপুনবগী শক্তম্বু থুগাইদুনা ঐনা হেল্লি, মানা হেল্লি হায়দুনা লৈরি। ঐদি মুসলিমনি, ঐনা খৃষ্টাননি, ঐদি কুকিনি, ঐনা নাগানি, ঐদি মৈতৈনি, ঐদি মীতৈনি অদুগা অমুকসু ঐদি নিংথৌজনি, ঐনা অঙোম্নি, ঐনা খুমননি, ঐনা মোইরাংনি তৌনরিবা ময়ামসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। অদুনা অপুনবা লংলা তৎহল্লোইসি, ইশাগী চৎনবী য়োকখৎসি, লিংজেল মান্নসি, ইশাগী হৌরকফম লম কনসি হায়রবদি পূন্নমকশিং অসি শেমদোকপা চুমথোকপা চংব্রা খল্লি। লাউবতনা য়ারোই। মদুগী মরী-মখোং থিদোকপা চংই।

লুহোংবদসু মঙাইরে অঊনপোৎকী লমজেন তান্নরিবা ময়াম্না উবিরিবা অসিনি। অঊনপোৎ য়াম্না পুরক্তগা মমৌনুপীবু থিনা তৌবিবা কয়া, কয়া অমনা তান্থোকপিবা অদুগা ইমুং কয়ানা খৎনহল্লিবা অসিনি। মসিদসু নত্তে। গৌড় ধর্ম্ম চৎলিগা, মীতৈ লাইনিং চৎলিগা, বামোনগী খৃৎ চাই-চাদেগা, মীতৈগী খৃৎ চাই-চাদেগা তোখাই তানিংবগী শাফুদি মফম খুদিংদা ৱাত্তে। করিগীনো অমত্তনি খনবা ঙমদ্রিবা ঐখোয়গী খুন্নাইসিবু। লুহোংবদসু কনানা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা চৎনবী কয়ানা পিক থল্লি। হৈথিল-লৈথিনবা মথংদা হৈজিংপোৎ অদুদগী অমুক বর বার্তনবু হায়বনে। অসিদসু নত্তে লুহোংবগী পোৎলমশিং, অচা-অথকশিং শিল-লাংবা অদুগা নোং ঙানবগা নুংথিল চৎপি অমুক মদু লোইবগা মঙানি চাক্লৌববু হায়বনে, করিনো থা ফারকপগীবু হায়বনে অসুক য়ামখ্রবা থৌরমশিং অমদি শিল-লাংলিবা অসিদবু লায়রবা ইমুং অমদদি করি ওইরমগনি। অদুনা চৎনবিনি হায়দুনা কদাই ফাওবা চৎনসি হায়বনো ঙসি ঐখোয়।

মীখা পোন্দনা নীংতম্না হিংগদবনিদি লাওরি। ঐখোয়না চান্নরিবা চেঙ-হৱাই, পোৎ-চৈ, ঐখোয়না শেৎলিবা, লৈনবা, খৃৎশু-খৃৎলায়, ইলেক্ট্রোনিক অইটেম অমদি অতৈ অতৈদবু ইরোমদোম ইশানা ইরমদমদা করম্বু পুথোকচবা ঙম্বা য়াওবগেনে? মীরমদগী লাকপা ঙাক্লি হায়বা য়াই। মীগী মখা য়াম পোল্লি। হৌরক্লিবা অঙাংশিংদি মোবাইলদা লোইনা লাইচুনরে। খরা চাওখিবনা দ্রক্তা, য়ুদা এদিক্ট ওইরক্লে। ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী লম্বীদা চৎলিবশিং অসিবু মতিং থোক্লা থিংনবা চুমথোক্লবা কনানাবু হোৎনরিগেনে? হোৎনবদি লায়রদনা মসিদা শেন্দাল লম্বী ওইনা তৌনরক্লিবা অসিনি। অদুনা লাক্কদবা মতমদা ঐখোয়গী খুন্নাই করম্বা মায়কৈদা লাক্কদগে হায়বা য়াম্না লুরে। ঐখোয়গী ওইবা, ইশাগী ওইবা হায়বদি মফম খুদিংদা ঙাঙনবা তাই। অদুবু অওনবা পূরকপা ঙমগদবা পোলিটিক্সতদি রিজলেন পার্টি লৈবু লৈতে। মীনা অদু তৌ হায়রগা তৌবা, অদু তৌগনু হায়রগা তৌদবা নেসনল পার্টিগী মখাদা লৈবা লৈঙাক্লি ঐখোয়গী মণিপুর। মসিদা ইশাগী ওইবা ঐখোয়গী খুন্নাইগী ওইবা ফিরেপ করম্না লেপ্পা ঙমগদৌরিবনো। হিংবদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং চান-থক্লবা অমদি লৈঙাক ঙাকপদগী হৌরগা মীগী মখাদা লৈরিবা অসিদবু করম্না ঐখোয় নীংতল্লে হায়গদৌরিবনো। নাগালেন্দা এন পি এফকী শক্তি লৈ। মেঘালয়দা এন পি পিনা লৈঙাক পায়। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা টি এম সীনা পায়। বিহার অমদি সাউদ ইন্দিয়াদা হায়রবসু রিজনেল পার্টিনা লৈঙাক পায়জবা ঙাক্লি। অদুনা ইরোমদোম হিংজবা ঙমগে হায়রবদি পিকচরবসু জপানদৌনা হোৎনবা কনবা তাই, শুবা নোম্বা তাই, ইশাগীনি হায়বা পার্টি থম্বা তাই।

লৌউ-শিংউবগী লম্‌দসু কুমগী নোং ঙাইবগী মহুত্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা তৌবা অদুগুম্না অন্দর ৱাটর পম্পিং তৌদুনা অনৌবা লৌউবগী মায়কৈদা চংশিনবা মথৌ তারে। নৎত্রবদি মহৌশাগী খৃৎশেম কাইরক্লিবশিং অসিনা অঙৈং-অশাগী খল কাইরক্তুনা কুম তোয়না-তোয়না কাংদুনা লৌউবা য়ারক্ত্রদুনা চাক তাঙবা থোরক্লবগী মরম অমা ওইরকপসু য়াই। অমুক্লা ফৌ থাবা, অমুক্লা এঞ্জাং নাপী থাদুনা চহী চুপ্পা লেপ্পা লৈতনা ‘রোটেস্নেল ফার্মিং টেকেনিক’ তঙাই ফদ্রে। কয়াদা খেন্নখ্রবনো মীগী লমদি মখোয়গী চাগদবা অহেনবা অদু ঐখোয়গী লমদা থাজিল্লক্তুনা য়োল্লি, শেল তাল্লি অদুগা ঐখোয়গীদি ইশাগী চাজবা ওক্লবা ফাওবা পুথোকচবা ঙমজদে। পুথোক্কেদি খন্নদনা লৈরগা চাগনি খল্লি ফাওদি ঐখোয়গী খুন্নাই চাওখৎপা ঙম্লোই। মথংদা অঙাংগী স্কুলদা তম্লিবা সেলেবস অমদি করিকুলমদা য়াওরিবশিং অসি খরা লৌথোক লৌশিল, হাপতোক হাপচিন তৌহন্নীংই। ঐখোয়গী কুস্মে হরাও, ঐখোয়গী লাইনীং, ঐখোয়গী হৌরকপগী ৱারী, ইরমদমগী ওইবা হৌন-লোনচৎ, চৎনবী, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, মিঙ্গৌ-থাগৌ, নিংথৌ পাল্লিঙৈগী অশোইবা, ধর্ম্ম চঙলকখিবগী, হৌজিক ওইরক্লিবা লৈঙাক, লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ৱারী অমদি মাগী ৱাখল্লোল, মানা মঙজরম্বা অপুনবা মণিপুর, ইশাগী লোল চাওখৎনবা অমদি অতৈ হীরমশিং খরদি য়াওহন্নীংই। অমরোমদা মমা লৈবাকপু নুংশিজবা অশেংবা লৈবাক নীংবা লুচিংবা কয়া থোরকপা চঙই। অদুগা অমম্বদৌনা লৈরিবা ঐখোয়গী খুন্নাই অসি মঙালগী লম্বীদা পুরক্লবা আইনগী লম্‌দা, গভর্ণমেন্টগী স্কিমগী মরমদা, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীয়ামগী রাইটস এন্দ দ্যুটি, ফেমিলি প্লান্নীং অমদি শেল-থুমগী লম্‌দা অসিনচিংবা অসি মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাই। লায়রবা ইনাকখুনবা অনীগী খেন্নবা অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। লায়রবা ইমুংগী মচাশিংনা প্রাইভেট স্কুলদা তম্বা ঙমদবা, প্রাইভেট হোস্পিতালদা য়েংবা ঙমদবা অমদি লৈঙাক্কী থবক চঙবা ঙমদ্রে। পূন্নমক অসি নৌহৌননা য়েং শিনবা মথৌ তারে। লৌমীশিংনা পুথোকপা ফৌ, মনা-মশিংগী মমলদি য়াওহন্দ্রে, অদুগা মীরমদগী পুশিল্লকপা পোৎ-চৈগী মমলদি লায়রবনা লৈবা ঙমদ্রে। অসিদসু নত্তে শুজ-নোমজরগা হিংজরিবা মখোয়শিং অদুগী নোংমগী খৃৎশুমলদি হৈক্রু মনাদা য়োম্বসি মঙাই। লায়রবগী মীচং লৈতে, ইনাকখুনবগী মী ৱাত্তে অসি ঙাক্তনি মফম খুদিং। পূন্নমক অসি লৈঙাক পায়রিবা ওইসনু কনানবু য়েং শিল্লিগে মপু পানদবা লৈবাক অমগুম্না চৎলিবা অসিনি। ঐখোয়গী খুন্নাই লৌশিনবা হে পিথোকপদি খরা ৱাৎপ্রা খল্লি। চৎনবীদা হেক্তা হায়রগা য়েংসি। হৌজিক হৌজিকমক ঐখোয়গী খুন্নাইদা য়াম্না নৌনা চঙলক্লিবা চৎনবী হায়রগদি ‘হেপি বর্থদে’ তৌনরক্লিবা অসিসু অমনি হায়বা য়াই। মসি পাঙথোকপনা খুন্নাইদা শেল-থুমগী অৱাবা পীবা খক্তা নত্তনা লায়রবা মমা মপানা মচাগী বার্থদে তৌবা ঙমদ্রগা মী মচাগীদি পাঙথোকই ঐগী ইচাগীদি ঙমদ্রে হায়দুনা নুংঙাইতবা অমসু ফাওহনদবা নত্তে। অদুনা ঐখোয়দি মীগী মতৌ তম্বা য়াম্না কল্লি। অদুবু ঐখোয়গী চৎনবিদি সুম সুম মাঙশিল্লক্লিবা অসিনি। খুনুং ঈশৈ শক্লখিদ্রে, কাং শান্নখিদ্রে, চৈরাও চীং কান্নখিদ্রে, লৈকায়-খুঙ্গংশিংদা শগোল কাংজৈ শান্নখিদ্রে, পেনা ঈশৈ ওইসনু, খুল্লং ইশৈ ওইসনু তাখিদবা কুইরে। অসিদসু নত্তে খৃৎনা শাবা পোৎ-চৈ, ৱানা শাবা পোলাং, কৌনাগী ফক, থুমোক লৈতে হায়বা নত্তে অদুবু য়াম কন্নদি শাখিদবনা ঙসিদি উবা ৱাৎলক্লে। থাঙ-তাগী লম্‌দসু মদু মঙাইরে। নোংম-নোংমগী মাঙখিবা ঙাক্লি ঐখোয়গী চৎনবিদি। ঐখোয়না চেকশিনহৌদবদগী হায়গদ্রা য়েংশিলহৌদবদগী হায়গদ্রা ইরমদমগী ওইবা ঙা-চাক ফাওবা কয়া মুৎখ্রে। হৌজিক ঐখোয়বু শরেং, ঙানপ, পেংবা, ঙৱা, ঙাতুপ, ঙাক্রা, ঙাক্রিজৌ অসিনচিংবা কয়া উখিদ্রে। ঐখোয়গী লৈহৌরিবা চৎনবী খরা অসি ফাওবা পোৎয়ান য়ানশিনবসি মঙাইরে। ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা মতম অমগী ঐখোয়গী নিংঙোল চাক্লৌবা ঙসিদি নিংঙোলশিংনা মপামদা পোৎ য়াম্না পুবা তান্নবা অমদি খুদোল পোৎকী লমজেলদা চঙশিল্লক্লিবা অসিনি। মমা-মপা, মপুং-মৌপ্পাগী নুংশিনবা অদুদি নাথৈরল্লে। লায়রবা মচে-মচন্নদি শোৎলগা, পুরগা চাক্লৌবগী পোৎ পুরক্তবা নত্তে। অমরোমদসু মবুং-মৌপ্পাশিংনা নৌনা থোরক্লিবা চৎনবিনি হায়দুনা খুদোল পোৎ য়াম্না পীবা ঙমদবগী অৱাবা অসিনা চহীগী নিংঙোল চাক্লৌবা লাকপদা হরাওবগী মহুত্তা শেল-থুমগী অৱাবা ওইনা খন্নরে।

খৃৎশেমগী ফজবদা, লৈবাক্কী পুন্সি মরেলদা অমদি মীগী হৌন-লোনচৎ মতৌ তম্বদদি কনা অমনদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি চাওখৎলে হায়বসু য়াওরি। অদুবু য়েংলু য়েংলুবদা ঐখোয়বু শক তাক্লিবা, ঐখোয়গী কলচর অমদি ট্রেদিসন কয়াদি নোংম-নোংমগী মমি শাল্লকই। ফুঙ্গা থম্নখিদ্রে, ইমোইনুসু উখিদ্রে, সোসল মীদিয়াদা মাগী নুমিত্তা কৎপা পোৎ-চৈ নত্তনা। মেরা ৱা য়ুংখিদ্রে, চীং-তম খৎনরে, ক্বাক তানবা কাউখ্রে, হৈক্রু হিংদোংবা মমিংতা মঙাইরে। শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা অমুক য়েংসি। হৌজিক্কানসিবু কনানা য়ুবী লাকপি, মুক্লা, মুক্লা কাংজৈ, তৌনরিগে? অদুনা ঐখোয়গীনি হায়বদা অমত্তা লৈরক্ত্রবদি ঐখোয় হায়বসিসু মুৎখিনবগী মচাক অমা ওইরকই। ঐখোয় মণিপুরীনি হায়বসি ঐখোয়গী লোন্না, ঐখোয়গী চৎনবীনা, ঐখোয়গী ফিজেৎ চাকচানা, ঐখোয়গী লাইনীং অমদি ৱাখল্লোনা তাক্কদৌরিবনি। পূন্নমকশিং অসি লৈত্রবা ফুরুপ অদুদি মচোই-মচোই তাবতা নত্তনা মাঙসু মাঙখিগনি। ঐখোয় মশেল ৱাখল চুংশিন্নহৌদ্রবদি অফবা ওইরক্কনি থাজদে। ঙসি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা তিন্নবা য়াদবা ৱাখল্লোনশিং, লাইনীং লাইশোন্দা খেন্নবা লৈরিবা, চৎনবি মাঙশিল্লক্লিবা, ঐখোয়গীনি হায়দুনা লৈহৌরিবা চৎনবি খরা অসিসু নোংম-নোংমগী মচু হোংলক্লিবা, শেল-থুমগী লম্‌দা মীরমদগী লাকপশিংনা ঙম্না পায়রিবা অসিনচিংবা অসি ঐখোয়গী তুংগী মীরোলগীদমক মুন্না খন্ন-নৈনবা মতম ওইরবরা খল্লি। ঙসি ঐখোয়গী মণিপুরগী কৈথেলশিংগী মপু অমদি শেল-থুমসিবু কনানা পায়রিগে? মপানদগী লাকপা লল্লোনবশিংনা লোইনা পায়বা ঙাক্লি। মখোয়না পুশিল্লকপা পোৎ-চৈশিং অয়াম্বনা লোয়না মহুৎ শিনখ্রে। মখোয়না শেলসু ঐখোয়দগী তান্দুনা পুখিবনা মণিপুরগী শেল-থুমগী ফীভমদা শাফু পীরিবা অসিসু করি তৌরগদি ফগদগে হায়বা খন্ন-নৈনবা ঙসিদি মথৌ তারে। নৎত্রবদি মপুনা শৈদাংদুনা লৈবা তারকখি হায়বা অদু থোক্কনি। “তোং তোং তোংদ্রুম্বী, চক্রিক নক্রিক চকৱাইবী, থাদোই তেম্মু তেম্মু, মতোন সনা চি চৌ চা চৌ, অমা খৎ খৎতোকও” নীংশিংলক্তবা ঙমদে মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্লবা ঐখোয় ইপা ইপুশিংনা হায়বীরম্বা চেকশিন-ৱা অসি। ইনাৎ য়োখৎপা ঙমদবগী অশোয়বা, লিংজেল মান্নদবগী অশোয়বা, মীগী মতৌ তম্বগী অশোয়বা অমদি শেল-থুমগী অশোয়বদগী ঙক য়ৌনা ইরাকনবদৌনা লৈরবা ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি ঐখোয়না য়েংশিলহৌদ্রগা কনা লাক্তুনা য়েংশিবিগদগে। ঐগী শূমাং মোৎলবদি ঐনা শিৎকদবনি। তূমদুনা লৈবা নোংশানা মতম লৈরিঙৌদা মীকপ থোকহৌদ্রবদি হয়েং মচেৎ-মচেৎ, মচোই-মচোই তারদুনা ঐখোয়না মাইনোরিটিদা লৈরবা কান্দা খোঙবনদি ঙাপ্রুম মমৈদা খূজিন্না শিকপদৌনা তকসি শোলহৌবা নত্তনা করিসু তৌবা ঙমদবা কোন্না শিংলকপা অপংবা ওইদুনা তোক্কনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

অমুকোনা লেপ্তুনা মতেং পাংলি

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯না ওইহল্লিবা অৱাবা চৈরকসিদা ময়ামদগী খরা হেন্না অৱাবা মায়োক্নরিবা ইমুং ১০,০০০দা অমুকোনা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংনবা পান্দম থল্লিবা অদু য়ৌনবা হায়দুনা অমুকোনা লমদমসিগী লুপা কয়াগা পুল্লগা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংবগী থবক মখা চত্থরি হায়না অমুকোগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম এম থম্বৌনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসিসু অমুকোনা ইম্ফাল ইষ্ট য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (আই ঈ য়ু সি ও)গা খৃৎশম্নরগা লুপ অসিগী মীৎয়েং মখাদা লৈরিবা ক্লব ৩৩গী অপূনবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ চীং-তম ক্লব এসোসিএসন (য়ু সী সী এ এন)গা পুল্লগা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অনীগী খুল কয়াদা তলকশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইমুং ১০৪দা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা অমুকোনা লমদমসিগী লুপ কয়াগা খৃৎশম্নরগা ময়ামদগী খরা হেন্না অৱাবা তারবশিংদা চীঙ্গাক্কী মতেং পাংখিবসি পূন্না ইমুং ৬,১১৮ শুরে। চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অসি মতেং পাংবগী খোঙচৎ অসিদা অমুকোগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন (ইন-চার্জ) কে সন্তোশ, আই ঈ য়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট কেঐচ রাজেন অমদি য়ু সী সী এ এনগী প্রসিদেন্ট পি খোইখোইবসু শরুক য়াখি।

ক্লব ৩৩গী অপূনবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবায়ু সী সী এ এননা মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী জুরিসদিক্সনদা লৈরিবা খুল খরদা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অদু মতেং পাংখিবনি।

ঙসি চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা মফমশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংচন্না লৈবা সম্বৈ য়ুথ ক্লবনা সম্বৈদা য়ূম ১০, গোল্ড ষ্টার ক্লব অমদি ষ্টুডেন্টস ক্লব, য়ূম্নাম খুন্নৌগী এরিয়া ওইরিবা য়ূম্নাম খুন্নৌদা য়ূম ৪৫, সিনাম য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবনা সিনামদা য়ূম ১৬, সঞ্জেনলোক য়ুথস ক্লবনা সঞ্জেনলোকতা য়ূম ১৩ অদুগা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সাইকুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা ঙাখপাৎ য়ুথ ক্লবনা ঙাখপাৎতা য়ূম ১০দা অমদি সিনামকোম য়ুথ ক্লবনা সিনামকোমদা য়ূম ১০নি হায়রি।

লম্লাই এ সীদা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯, সেকেন্দ ৱেভনা চৈথেং পীরবা লম্লাই এ সীগী মনুংদা লৈবা খুনশিংদা লিশাং শীৎনা চত্থরকপা ওইনা ঙসিসু মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী কো-ওপ্টেদ মেম্বর অচৌইবম দেবেনগী মীৎয়েং মখাদা লম্লাই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট পোলিটিকোল ফোরম, হিল এরিয়া দিভলপমেন্ট কম্মিটি, লম্লাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি, লম্লাই ব্লোক মহিলা য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটি, লম্লাই ম্যুনিসিপালগী কাওন্সিল্লর অমদি লম্লাইএ সী কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ইনফোর্মেসন সেন্টরশিংনা লম্লাই এ সীদা পোজিটিভ ওইবা মীওই ১৫৩গী খুনশিং- লম্লাই, তখেল, সঞ্জেনবম খুন্নৌ, খুল্লেন, সঞ্জেনবম সনসাবি, সেক্তা, নুঙ্গৈই, সামুখোক, সনসাবি, তেল্লৌ, থায়োং, ওক্সু, লৌসাংখোং, নোংদম, পুংদোংবম, ইতম নুঙ্গৈইদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লবা মফমশিং, হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবা খুনশিং, কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদুনা লৈবা মফমদা পূন্না ইমুং ২৫০দা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈশিং য়েন্থোকখ্রে।

হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টেম কন্নবা হীদাক-লাংথক অমদি এন-৯৫ মাস্কনচিংবা পীখিবগা লোয়ননা নুমিদাংগী চাক্লেন অমসু পীজখি। মতেং পাংবা অদুদা খুনগী মীওইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকখি।

লম্লাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম সোমেন্দ্রোনা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ অসি ঙাকথোকসি হায়রবদি ঐখোয় পূন্নমক মতম চানা ভেক্সিন কাপথোকপীবা, লৈঙাক্না পীবা গাইদ লাইন এস ও পি ঙাক্না চৎপা, য়ূমদা লৈবা তারবসু মাস্ক ফজনা উপ্পীবা অমদি ইশা ইশানা জ্ঞান তারবা মতমদতা লায়না অসি ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়খি।

নোংমগী ওইবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমদি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে : সিমস

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস):

ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা টোপ মখা লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা ফ্রী মেদিকেল কেম্পকা লোয়ননা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প কম ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি সাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (সিমস) কী হেল্পিং গ্রুপ অমদি ওরিএন্টেল পাইওনীর এসোসিএসন (ও পি এ) লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সী এম ওগা খৃৎশম্নরগা পাঙথোকখিবনি হায়না ইন্সটিট্যুট অসিগী নোদেল ওফিসর এস কে ৱাজিদ শাহনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তোঙান তোঙানবা সিমসকীদোক্টর ৪, নর্সশিং, পেরামেদিকেল ষ্টাফশিং পূন্না সিমসকী মেদিকেল টিম ৩০না তোঙান তোঙানবা অনা-লায়েং চত্থখিবগা লোয়ননা ফ্রীদা তোঙান তোঙানবা মরী লৈনবা টেষ্টশিংসু তৌখি। লোয়ননা লায়েংবা লাকখিবা অনাবশিংদা লেপ্পা হীদাক লাংথকশিংসু সিমসকী মায়কৈদগী ফংহনখি। লোয়ননা হীদাক কাপত্রিবশিংদা হীদাক কাপখি।

ঙসিগীফ্রী মেদিকেল কেম্প অসিনা কনা লৈজদ্রবা তোল্ল-তারবশিং, অৱা-অনা তাদুনা লৈরিবশিং, হোস্পিটাল চত্তুনা শেল পুথোক্তুনা মশাগী অনাবশিংবু লায়েংবা ঙমজদবশিংদা সিমস হেল্পিং গ্রুপনা তোঙান তোঙানবা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা চৎতুনা কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভনা লাকখিবা মতমদসু মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না খুন্দাবা লমদমশিংদা চৎতুনা লেপ্পা অনা লায়েংবতা নত্তনা লেপ্পা হীদাকশিংসু পীখিবগা লোয়ননা টেষ্ট মখল কয়াসু লেপ্পা তৌখি অমদি কোভিদ-১৯ অনীশুবা ৱেভনা লাকপদগীসু সিমসনা লেপ্পা এম্বুলেন্স সর্ভিস তৌদুনা, টেলিফোনগী খৃথাংদা পাউ ফাওনদুনা য়ূম য়ূমদা চৎতুনা অনাবা কয়া লেপ্পা লায়েংখি। ঐখোয় খুদিংমক্লা অমগী অৱাবা অমনা মতেং পাংনদুনা পূন্না নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগী মতম ওইরে।

কনাগুম্বশিংনা লান্না তোকঙা শন্দোক্তুনা ভেক্সিন কাপ্তুনবা তৌরিবশিং খৃদক্তা লেপ্পীদুনা ভেকিসনেসন কাপথোকপীয়ু। ঐখোয় খুদিংমক্লা হকচাংবু নাদ-য়েক্তনা থম্নবা তৌমিন্নসি। কোভিদ লায়না অসি ধর্ম্ম, জাৎ-বিজাৎ, লায়রা-ইনাকখুনবা, মিনিষ্টরনি, এম এল এনি খায়বা লায়না নত্তে। মসিদি মীওই খুন্নাইদা চাওনা লান্দারক্লিবা লায়না মখল অমনি। মরম অদুনা কংলৈচাশিং ঐখোয় খুদিংমক কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্তুনা তমথিরবা কোভিদকী অৱাবদগী ঙাকথোক্লবা হোৎমিন্নরসি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস):

কুম্বী খুগা তুরেল মথক্তা চহী ১৫ রোমগী মমাঙদগী লৈকায়গী মীয়াম্না শাখিবা কুম্বী থিঙেল মমাঙ লৈকায় অহৈবম লৈরকমপাদা লৈরিবা উরোক থোং অসি হৌখিবা জুলাই ১৩দা খঙহৌদনা তেক্লককপদগী হৌজিক হৌজিক শরুংখোং দিভলপমেন্ট ক্লব, ইথাই মোদর্ন সিভিলাইজেসন ক্লব অমদি নাকল অনীগী খুঞ্জাশিংগা পূন্না শেমজিনবগী থবক চত্থরি।

খুঙ্গংসিগী নাকল অনীগী লৌমীশিং অমদি ঙামীশিংনা য়াম্না মরু ওইনা শীজিন্নরিবা অমত্তা ঙাইরবা থোং অসি তেকখিবদগী নাকল অনীগী মীয়াম হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্লরে। থোং শেমজিল্লিবা ক্লবকী ভোলুন্টীয়রশিং অমদি খুঞ্জাশিংদা ঙসি বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট সঞ্জয়না অঙম্বা শেলগী মতেং পাংখিবগা লোয়ননা মফম অসিদা জীপ/কার লানবা য়াবা সস্পেন্সন ব্রিদজ অমা শানবা চীফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা অথুবা মতমদা পুখৎলগনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখি। সরুংখোং দিভলপমেন্ট ক্লবকী সেক্রেটরি এন হেমন্তনা হৌজিক লৈরিবা মফম অসিদা মতমগা চুনবা জীপ/কার লানবা য়াবা সস্পোন্সন ব্রিদজ অমা শাবীনবা চীফ মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিনখি।

য়াম্লবা য়ুশিং ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস):

ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কমান্দোগী টিম অমনা সেকমাই কৈথেলদা লৈবা য়ু য়োনফম অমা রেইদ চত্থবদা নুপা অমা য়াম্লবা য়ুঙাং বোট্টলশিং, য়ুঙৌ বোট্টলশিং অমদি কেন বিয়রশিং য়াওনা ফাগৎলে হায়রি। ফারবা য়ুশিং অদুদি য়ুঙাং বোট্টল ৩৫৮, য়ুঙৌ বোট্টল ৫৯ অমদি কেন বিয়র ৫৯ য়াওনা ফাগৎখি। য়ুগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু লম্ফেলদা লৈবা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা খৃৎশিন্নখ্রে হায়রি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL WEST-PATSOI
Ref. Mut. Case No. 291/SDC/IW(P) of 2021
Shri Mutum Mohindro Singh S/o (L) Mutum Kasho Singh of Sagolband Salam Leikai. -Petitioner
-Vrs-
Late Shri Mutum Ningol Subadni Devi D/o (L) Kasho Singh of Tera Amudon Leirak. -O.P.Party

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**
15th July, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ:ও: পাৎসোই তাহশিলগী খুল নম্বর 81-Taobungkhok গী পাট্টা নম্বর 125 (old), 336/507 (new) দাগ নম্বর 701/740 গী পোইন্ট .62 একর চাওবা অঙনফৌগী লম অসিগী কো: পাট্টাদারিনি অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 23/07/2021 ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Patsoi
HL-P/6894/16

OFFICE OF THE
SUB-DEPUTY COLLECTOR LILONG
Vide. Mut. Case No. 42/SDC/L dt. 9/7/2021
1. Abdul Karim S/o Late Md. Fakharuddin of Irong Chessaba Mayai Leikai.
2. Baby W/o Abdul Karim of Irong Chessaba Mayai Leikai
-Vs-
1. Late Najeruddin S/o Baji of Moijing
2. Aham Ali S/o Late Mv. Basir of Moijing

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**
15th July 2021

Under Section-46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি, মদুদি খুন নং ১০-মোইজিং পাট্টা নং ৬৫৬ অরিবা পাট্টা নম্বর ৫৪৮ অনৌবা দখল তৌরিবা দাগ নং ১০২০ দা লৈরিবা এরিয়া .২৩২৩ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী মপু ওইরম্বা কো-পাট্টাদার নং (১) অমা অসি মৃত ওইখ্রে, শিখ্রে। মরম অদুনা কো-পাট্টাদার নং (১) অমা অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা লৈনা-য়োন্নদুনা মতম শাংনা দখল তৌদুনা য়ূম-কৈ শাদুনা লৈরবা লম মচেৎ .০০৬২ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসি পাট্টা নামা ওনহৌদ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা ইঙ্খোল দুকান অসি পাট্টা নামা পান্দুনা পাট্টা তোঙান্না খাইদোকপীরো হায়না এস দি সী/লিলোংগী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা পীরিবা পাট্টা অসিদা পাট্টা নামা পানবা অমদি খাইদোকপদা য়ানিংদবা লৈরবদি কো-পাট্টাদার নম্বর-১গী মতু-মচাশিং অমদি থংনরিবা নাক-য়েৎতা লৈমিন্নবশিংনা য়ানিংদবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা (৭) তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌবীনবা খঙহঞ্জরি। কোর্টনা পীরিবা নুমীৎ অসিগী ৱাংমদা লাকপা কেস ৱাকৎ অমত্তা এস দি সী/লিলোংগী কোর্টনা লৌজরোই। পাট্টা অসিগী মরীদা ওবজেক্সন লৈত্রে হায়না লৌজগনি। হৌনবী মতুংইন্না কেস অসি মখা চত্থরগনি, পাট্টা নামা পান্দুনা পাট্টা খাইদোক্লনি হায়না খঙহঞ্জরি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Lilong
HL-P/6896/16

কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদা তেংবাঙগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস):

বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাওন্সিল মেম্বর অমদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লম্লাই মন্দলগী চ্যেরমেন কেঐচ ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা লম্লাই কেন্দ্রগী মনুং চনবা কাঙু চিংজিনদা মীওই অমা পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ২, তখেল মমাঙদা মীওই ৩ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৮, সঞ্জেনবম খুল্লেনদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৩, সেক্তা অৱাংদা লৈবা মীওই ৩ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৪, পুংদোংবম মমাঙদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৩, সাবুংখোক মমাঙদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৩, লৈমখোংমপালদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৯ অমদি লৌসাংখোংদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ২দা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলমশিং ওইনা হৱাই, অচাথাও, আলু, থুম, তিলহৌ, চিনিনচিংবা পীখি। থৌরম অদুদা লম্লাই কেন্দ্র কোভিদ এৱেয়রনেস অমসুং ইনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন এ জামিনি, তখেল জি পিগী প্রধাণ এম নিংথেম, বি জে পি লম্লাইগী প্রসিদেন্ট ঈ অমিতকুমার, পুংদোংবম জি পিগী হান্নগী প্রধাণ আই প্রেমনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা কেঐচ ইবোমচানা কোভিদ লাইচৎ অসি লাইথোকপা য়াদ্রি। মীয়াম্না কোভিদতগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা টেষ্ট তৌথোক্তুনা পোজিটিভ ওই ওইদে খঙদোকপগা লোয়ননা মতম চানা ভেক্সিন কাপথোকসি, এস ও পি ঙাকমিন্নসি হায়খি। কনাগুম্বা লৈকায় অমদা মাস টেষ্টিং অমদি ভেক্সিনেসনগী থৌরম শীন্নিংবা লৈরবদি পাউ পীবিরকউ, অঙম্বা মতেং পাংজগে হায়খি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
MOIRANG
Ref. Mut. Case No. 308/SDC/M dt: 14/07/2021
Md. Abdul Kadir S/o Md. Abdul Helim of Kwakta Ward No. 3.
-Vs-
Late Abdul Manal S/o (L) Kamaludin of Kwakta Ward No. 3.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Moirang, the 15th July, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৯১ ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৬০৭/২৬৯১ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৫৭৫২/৭৪৪১ এরিয়া ০.৬২৫ একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা হায়রিবা মৃ: পাট্টাদারগী লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারি অসিগী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Moirang
HL-P/9823/16

ꯑꯣꯐꯔ ꯑꯣꯐꯔ
SPECIAL WHOLESALE RATES OFFER
1. Indarum Herbal Immune Booster
2. Fever Care Capsule, Arthro Oil, Fat Burner, Panch Tulsi, Active Power
3. Onions, Potato, Sugar, Dal Beshan
4. Oximeter, Latex Gloves, Sanitizer, 3 PL Mask
5. Yarn (Lang)- Muga, Akhetpa/ Ashungba, One ply, Two ply Cotton Pashmina, Castor, Padama

Contact No. : 9004619348,
Keishamthong Elangbam Leikai
HL-P/6885/14-20